**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13-03-2025)**

**দি-ৱার্মিং (এল)ঃ** চহি অমদগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংবু তিন লৈতনবা পান্দমদা নেসনেল দি-ৱার্মিং নুমিৎ মনিপুরদসু ঙসি পাঙথোকখি।

মপুং ওইবা থৌরম চাইল্ড হেলথ দিভিজন, ষ্টেট হেলথ সাভির্সেস, নেসনেল হেলথ মীসন অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেসনা শিনদুনা নেসনেল দি-ৱার্মিং নুমিৎকী অহানবা তাঙ্কক ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী উরিপোক লম্বোইখোঙনাংখোংদা লৈবা নেতাজি সুবাসচন্দ্র বোস অৱাসিয়া বিদ্যালয়াদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা হেলথ সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: চম্বো গোনমৈনা হায়-থৌরাং অসিগী মখাদা অঙাং লাখ ৯ লিশিং ৯১,৬৯৬ রোম তিন লৈতনবা হিদাক পীজনবা পান্দম থল্লি। মহাকা হায়-তিনগী লায়না অসি অঙাংদতা নত্তনা অহলশিংদসু ইথা থাজদনা নাবা য়াওই। লায়না অসিগী মখল কয়া লৈরবসু রিং ৱাম অমসুং রাউন্দ ৱামনা নাবগী চাং ৱাংনা থেংনরি। দাইরেক্তরনা হায়-ইং কুমজা ২০১৫ গী জানুৱারী ১০ দগী হৌনা থৌরম অসি হৌদোকখিবনি।

থৌবাল জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-থৌবালনা শিনদুনা নেসনেল দি-ৱার্মিংগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে। দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুভাসনা জিলা অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমকা পুন্না হোৎনমীন্নদুনা কেম্পেইন অসিবু মায় পাকবা হোৎনমীন্নসি হায়না ফোংদোকখি। মহাকা হায়-অঙাংশিংবু মশা মউ ফনা থমবা লুনা-নান্না লৈহনবা হায়বসি তঙাইফদে।

কাং-ঙা সেনবী অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সি.এম.ও. ডা: ৱাই. নোকুল, জেট.ই.ও. জোন থ্রি-অরাম্বম অনিলকুমার, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল থৌবালগী মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্ট ডা: ডাব্লিয়ু. রুহিনিকুমারনচিংবা শরুক য়াখি। জিলা অসিগী ওইনা অঙাং লিশিং ৮৪,১৪০ হিদাক পীজনবা পান্দম থল্লি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিগা খুৎশমরগা নেসনেল দি-ৱার্মিংগী নুমিৎ থৌরম জিলা অসিগী সেরৌদা লৈবা পাব্লিক হেলথ সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

চান্দেল জিলাদসু নেসনেল দি-ৱার্মিং নুমিৎ থৌরম জিলা অসিদা লৈবা জাফৌ অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-চান্দেলনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-এল.নন্দাকুমার সিংহ, জেট.ই.ও. য়ুমাম হেমচন্দ্র সিংহ, সি.এম.ও. চান্দেল-ডা: জোইসন মেথিয়ুনচিংবা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা য়ুমাম হেমচন্দ্রনা হায়-ঙসি অহানবা তাঙ্কক্তা হিদাক পীজহৌদবা অঙাংশিং থা অসিগী ২০ মশিং শুনবা হিদাক পীজথোক্কনি। কেম্পেইন অসি মফম অসিদা লৈবা স্কুলশিং, অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিং অমদি লায়েংশঙশিংদা চথ্লগনি। ডা: জোইসন মেথিয়ুনা হায়-কেম্পেইন অসিগী মরুওইবা পান্দমদি, অঙাংশিংদা সোইল ত্রান্সমিটেদ হেলমিন্টনা থোকহনবা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকবনি।

নুমিৎ অসি দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-তেংনৌপলনা শিনদুনা খঙশিম ভিলেজকী কম্মুনিতি হোলদা পাঙথোকখি।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** এম.এল.এ. কাংবু অমনা ঙসি রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লাগা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নখ্রে।

শ্রী অৱাংবৌ ন্যুমাই, খাশিম বাশুম, লোসি দিখো, লৈশিও কৈশিং, জে.

কুমো সাহ্ অমসুং জাংহেমলুং পানমৈনা রাজ্যপালগা উন্নদুনা মীয়ামনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা পাউদমখি। লমদম অসিদা শান্তি পুরকবা হোৎনবদা মখোয়না পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা রাজ্যপালদা ফোংদোকখি অমদি রাজ্যপালগী লুচিং মখাদা লমদম অসিদা মহৌশাগী পুন্সি অমসুং শান্তি অথুবা মতমদা হনজিল্লক্কনি হায়বগী থাজবা ফোংদোকখি।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর মীতৈ য়ুনাইটেদ কমিতিগী মীহুৎ কাংবু অমনসু রাজ্যপালগা উন্নখি। কমিতি অসিগী কো-কনভেন্নরনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অদুনা রাজ্যপালদা মেমোরেন্দম অমা খুৎশিন্নখি। মেমোরেন্দম অদুদা চুরাচান্দপুরদগী লাঞ্জেন্নরক্কুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌরিবা মীওইশিংগী য়াইফনবা থবক থৌরমশিং লৌখৎপীনবা ৱাফমশিং য়াওরি। মখোয়না মায়োকরিবা খুদোংচাদবশিং রাজ্যপালদা পাউদমখি। রাজ্যপালনা মহাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা ফোংদোকখি।

**গাড়ি (এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱেশিংদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়িশিং অমদি পেসেঞ্জর পুবা গাড়িশিং অয়েৎ অপন য়াওদনা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াহন্নবা মতিক চাবা লৌখৎত্রে হায়না হায় কোর্ট ওফ মনিপুরদা অনিরকশুবা কন্টেম কেস অমমুক থাংগৎখ্রে। লোয়ননা কোর্টনা হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংদা নোটিশ ইশু তৌনবা খঙহনখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবমদগী য়াংলেম মঙ্গি কৌবা মীওই অমনা হৌখিবা চহি ২০২৩ গী মে ১৮ দা থাংলকখিবা পি.আই.এল. অমগা মরী লৈননা কোর্টনা পীখিবা রাই থবক্তা ওন্থোক্তবদগী কন্তেম কেস অমা থাংগৎলকখিবনি। কোর্টকী ওর্দর মতুং ইন্না কন্মিস্নার (হোম) না ওর্দর অমা থোক্কুনা মরী লৈনবা দিপ্যুতি কন্মিস্নারশিংনা চেয়ারমেন ওইবা কমিতি অমা শেমদুনা হায়ৱেশিংদা অয়েৎ-অপন য়াওদনা চৎথোক চৎশিন তৌহন্নবা থবক পায়খৎলে হায়না কোর্টতা পাউখুম পীরকখি।

অদুমওইনমক, হৌজিক নেসনেল হায়ৰে টু অমসুং নেসনেল হায়ৰে ৩৭ দা গাড়ি কয়া পন্দুনা লৈরিবা অসিনা হায়রিবা কমিতি অসি মথৌ তৌদ্রে হায়না অনিরকশুবা ওইনা কন্টেম কেস অসি থাংগৎলকখিবনি। কেস অসিগা মরী লৈননা ঙসি হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী জজ-জষ্টিস-এ. গুনেশ্বর শর্ম্মা অমসুং জষ্টিস-গোলমৈ গাইফুল সিলুই কবুইগী বেঞ্চতা চথখিবা হিয়ারিংদা হায়ৰেশিং অসিদা গাড়িশিং অয়েৎ অপন য়াওদনা চৎথোক চৎশিন তৌহন্নবা থবক লৌখৎলি হায়বগী প্রমান পীগদবনি। লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংদা নোটিশ ইশু তৌনবা অমদি মখা তাবা হিয়ারিং এপ্রিল ১৬ তা চথনবা মতম লেপখ্রে।

**এআইআর (এল)ঃ** বাইন স্কিমগী মখাদা সাইভর ক্রাইম অমসুং সাইভর সেক্যুরিতি হায়বসিগী মতাংদা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা অকাশবানি ইম্ফালনা শিনদুনা ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নৈলিট ইম্ফালগী সাইন্টিষ্ট-ই. ডা: অঙোম বুবো সিংহ, এস.পি. সাইভর ক্রাইম-নিংঙোম্থম জোন, মনিপ্র য়ুনিভরসিতিগী লো দিপার্টমেন্টকী হেদ ডা: য়ুমাম প্রেমানন্দা সিংহনা সাইভর ক্রাইমগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

থৌরমদুদা অকাশবানি ইম্ফালগী ন্যুজগী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর-থোকচোম জোগেন্দ্রজিৎ সিংহ, প্রোগ্রাম হেদ-নোংথোম্বম রোমা দেবী, মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী স্কুল ওফ সোসিএল সাইন্সকী দিপার্টমেন্ট ওফ ভোকেস্নেল ষ্টদিয়জ এন্দ স্কিল দিবলপমেন্টকী হেদ-ডা: নমব্রাম অমুল কুমারনা ৱা ঙাংখি।

**য়াওশং (এল)ঃ** মচুগী কুম্মৈ, য়াওশং মনিপুরদা হয়েং পাঙথোক্লগনি।

কুম্মৈ অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা মনিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়-কুম্মৈ অসিনা

লমদম অসিবু নুংঙাই য়াইফবা অমদি ইং তপ্পা পুরকপা ওইরসনু। মহাকা হায়-য়াওশং কুম্হৈ অসি মনিপুরদা শান্ন খোৎনবগী ইহৌ অমা ওইনা চংশিল্লক্লি। য়াওশং কুম্হৈ অসি মীয়াম পুন্না অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা পাঙথোকমীন্নরসি।

মহাক্কী পাউজেলদা মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা হায়-কুম্হৈ অসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা মাপুম খুদিংমকা নুংশি চান্ননা অমদি লিংজেল মান্ননা লৈমিন্নবা ওইরসনু। তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং অমগা অমগা নুংশিন্ননা অমদি লমদম অসিদা শান্তি পুরকপা ওইরসনু।

এম.এল.এ. য়ুমাম খেমচান্দনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়- কুম্হৈ অসিনা লাকপদা ঐখোয় পুমমক নুংশি চান্নবা অমদি তংদু লৈতানা হিংমিন্ননবা ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজসি।

নুমিৎ মঙানি চথুগদবা য়াওশং কুম্হৈ রাজ্য অসিগী লৈকাই লৈকাইদা শান্ন খোৎনবগী থৌরমশিং পাঙথোকবা শেম শাবা লোয়রে। মনিপুরদা থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাংনা হৌখিবা চহিশিংদা য়াওশংগী কুম্হৈ মপুং ফানা পাঙথোক খিদে। অদুমওইনমক, ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা মীয়ামনা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পোৎ-চৈ লৈনবগীদমক কৃক-কৃক ইন্নখি। অয়ুক অঙনবদগী হৌনা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোইবা মফমশিংদা ত্রাফিক জাম থোক্তুনা চৎথোক চৎশিনদা চাউনা মায়োকখি।

ওল মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ) গী চহি ১৪ রক শুবা চহি খুদিংগী পাঙথোকপা য়াওশং স্পোর্টস মিট ঙসিদগী হৌখ্রে।

**স্বাইন (এল)ঃ** ভেটিরিনারি অমসুং এনিয়্যেমেল হসবেন্দরি সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-শ্রী আর.কে. খোগেন্দ্রজিৎ সিংহনা হায়রি-ওক লোয়রিবা মীওইশিংনা শেল খক্তগী খল্লোইদবনি।

ইম্ফালগী সঞ্জেনথোংদা লৈবা ভেটিরিনারি কমপ্লেক্সকী ফামরস ত্রেন্নিং হোলদা পাঙথোকপা ক্লাসিকেল স্বাইন ফিবরগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়ামবু

হেন্না খঙহন্নবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী খোগেন্দ্রজিৎনা হায়-মনিপুরদা আফ্রিকান স্বাইন ফিবর ইং ২০২৩ গী ওক্তোবরদা থেংনখিবা মতুংদগী লায়চৎ অসি মনিপুরদা হৌজিক ফাওবা থেংনদ্রি। মহাকা হায়-ক্লাসিকেল স্বাইন ফিবরগী ওইনদি ইন্সুরেন্স কোভর তৌই। অদুমওইনমক, আফ্রিকান স্বাইন ফিবরগী ওইনদি ইন্সুরেন্স কোভর লৈতে। মসিগী মথক্তা লায়না অসিদগী ঙাকথোকবা ভেক্সিন লৈতবনা ওক লোয়রিবশিংনা বাইও-সেক্যুরিতিদা অহেনবা মীৎয়েং চংগদবনি।

**কঞ্জুমর (এল)ঃ** কঞ্জুমর এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন (সি.এ.এফ.এন্দ পি.দি) গী দাইরেক্তর-করাম বোনোনা হায়রি-পোৎ চৈ মমল হেন্না য়োনবা অমদি পোৎয়ান য়াওবা পোৎ-চৈ য়োনবা ফাগৎনবা হোৎনরিবা অসি মীয়ামনা মতেং পাংবিয়ু।

পোৎ য়োল্লিবশিংনা পোৎ চৈগী মমল হেন্না ৱাংনা য়োনবা থেংনরবদি বিভাগ অসিগী কর্ম্মচারিশিংদা পাউ পীবিরকবা খঙহল্লি। ইম্ফালগী সঙাইপ্রৌদা লৈবা সি.এ.এফ.এন্দ পি.দিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মহাকা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-নফসাগী চেং চাং নাইনা ফংহন্নবা হোৎনরি।

**সেমিনার (এল)ঃ** মহে মশিং তম্ফমশিংগী মেনেজমেন্ট, টিচিং, নোন-টিচিং অমদি মসিগা মরী লৈনবা মীওই খুদিংমক্তা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফোরম সেক্সচুয়েল ওফেন্সেস (পোক্সো) গী মতাংদা নিংথিনা খঙহন্নবগীদমক সেমিনার অমা ঙসি ইম্ফালগী পাঙ্গৈদা লৈবা রাজকুমারী সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালয়দা পাঙথোকখ্রে।

রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়ার দাইরেক্তোরেটনা আর.কে. সনাতোম্বী দেবী এদুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসন্সগা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবা সেমিনার অদুদা

রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখিবা সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগকী ষ্টেট চাইল্ড প্রোটেক্সন সোসাইতিগী প্রোগ্রাম ওফিসার-মালা লিশমনা হায়-মহৈরোইশিংগা হকথেংননা লোয়নরিবা মীওইশিংনা পোক্সোগী মতাংদা নীংথিনা খঙজিনবা য়াম মক তঙাইফদে।

থৌরমদুদা আর.কে. সনাতোন্বী দেবী এদুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসন্সগী ষ্টাফকী মীওই ১৫০ রোমা শরুক য়াখি।

**ত্রান্স (এল)ঃ** ওল মনিপুর নুপী মানবী এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি-সান্তা খুরাই, আমেরিকাগী য়ু.সি. বর্ক্লীদা জেন্দর এন্দ সেক্সুয়েলিটিগী মতাংদা পাঙথোকপা বুক টোল্কতা শরুক য়াখ্রে।

আমেরিকাগী য়ুনিভরসিতি ওফ কেলিফোনিয়া বর্ক্লীনা বার্ত্তন তৌরকপদগী থা অসিগী ১০ দগী ১২ ফাওবা পাঙথোকখিবা বুক টোল্ক অদুদা শরুক য়াখিবনি। মহাকা রাজ্য অসিগী মহৈ তম্ফমশিংদা জেন্দরগী মরমদা নীংথিনা খঙননবা সেলেবসতা য়াওদবা অসি নুংঙাইতবা ফাওই হায়না ফোংদোকখি। মহাকা ইখিবা 'দা য়েল্লো স্পেরো' হায়বা লাইরিক অসি য়ু.সি. সান্তা বারবরাদা ফেমিনিষ্ট ষ্টদিজতা য়াওরি। লমদম অসিগী কলেজশিং অমদি য়ুনিভরসিতিশিংদসু ত্রান্সশিংগী মতাংদা সেলেবসতা য়াওহন্নিংবগী ৱাফমসু মহাকা ফোংদোকখি।

**নোনে (এল)ঃ** নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট থ্রিদা রিজার্ব ফোরেষ্ট এন্দ কর্বোন য়ুনিট হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

রোংমৈ নাগা কাউন্সিল-মনিপুর, লোংমাই লুৱাংরিয়ান্ট এন্দ ভিলেজেস কাউন্সিল-লোংমাই এরিয়ানা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবা থৌরম অদুদা রিলিফ এন্দ দিবলপমেন্ট দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরি-ডা: দিমগ্বাং রুৱাংমৈ শরুক য়াখি। মহাকা হায়-উমং অমসুং ঐখোয়গী নাৎ অমসুং চৎনবীগা তৎনবা য়াদ্রবা মরী অসি ঐখোয় পুমমকা ঙাক শেনবা তঙাইফদে।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা সি.এস.ওগী লুচিংবশিং, খুলগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

**ককচিং (এল)ঃ** কেন্দ্র সরকারগী দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সোনেল এন্দ ত্রেন্নিংগী মীৎয়েং মখাদা ষ্টেট একাডমী এন্দ ত্রেন্নিংনা শিনদুনা সরকারনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙহনবা অমসুং রাইট টু ইনর্ফোমেসন এক্ট নীংথিনা চল্লাইনবগী মতাংদা ৱার্কশোপ অমা ঙসি ককচিং জিলাদা পাঙথোকখ্রে।

নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অদুদা জিলা অসিগী এদিসনেল দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মোইরাংথেম কপাজিৎ, এস.দি.ও. পোৎশংবম খেদাজিৎ শরুক য়াখি।

**ওবিৎ (এল)ঃ** মনিপুরগী শকাইরবা নোংমাইথেম তোম্বী সিংহ, হৌখিবা অহিং নোংয়াইদা মশাগী য়ুম ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাইদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৮৩ শুখ্রে।

মহাক ইং ২০১০ দগী ২০১৪ জে.এন. মনিপুর দান্স একাডমীগী ভাইস চেয়ারমেন ওইরম্মী। মহাকা হিংলিঙৈ মতমদা মনিপুরি সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা পীবা মৈস্নাম তোম্বী ক্রিটিক এৱার্ড, মনিপুর ষ্টেট কালা একাডমী ফেলোনচিংবা ফংখি। মহাকা মনিপুরি সাহিত্যদা অনৌবা মীৎয়েং অমা, মনিপুরি সাহিত্যগী ৱারেং খরনচিংবা লাইরিক ইরমখি।

মহাকা লৈখিদবদা মনিপুরি সাহিত্য পরিষদ, থৌবাল রাইটরস এসোসিয়েসন, য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরীনা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

**বোদি (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী এম.এম.টি.এ. ময়াগী মিনুথোংদা লৈবা ইমা মিনু লাইরেম্বী শেমগৎ শাগৎপা লুপকী ওফিসতা থবক তৌবনি হায়বা মোরেদগীনি হায়বা মীওই অমা ঙসি ওফিস অসিদা শিদুনা লৈরম্লে হায়রি।

মীওই অসি অরাংবা মচুগী খোঙ্গাউ অশাংবা অমা শেৎলি, লৈ মচুগী টি-সার্ট অমা লিৎলি হায়রি। মীওই অসি হৌজিক রিমসকী মোর্গতা মখা তানা থিজিন্নবা থল্লি। মরি-মতাশিংনা থা অসিগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা হকচাং অসি লৌবিরনবা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

**মৈ(এল)ঃ** এম.এস.পি.দি.সি.এলনা ঙসি মৈ লান্না শিজিন্নরম্বা কঞ্জুমর ১৪ ফাগৎখ্রে। মসিগী মথক্তা কঞ্জুমর মরিগী মৈসু ককথৎলে হায়রি। মখা তানা মৈ লান্না শিজিন্নবশিং ফাবগী খোঙজং চংশিনখিগনি হায়রি।

**সোল্লর ঃ** প্রধান মন্ত্রি সুরিয়া ঘর মুফট বিজলি য়োজনাগী মখাদা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা রুপ টোপ সোল্লর লাখ ১০ হেন্না খিনখ্রে। মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা থৌরাং অমা ওইরিবা রুপ টোপ সোল্লর লাখ ১০ হেন্না খিনবা অসি লৈবাক অসিগী ওইনা ঐতিহাসিক ওইনিংঙাই থৌরাং অমনি।

মমাং চহিগী ফেব্রুৱারীদা হৌদোকখিবা য়োজনা অসিনা লৈবাক অসিগী ইনজিগী লমদা অওনবা অমা পুরক্লি। থৌরাং অসিগী মখাদা হৌজিক ফাওবদা বিনিফিসরি লাখ তরুক হেনবদা লুপা কোতি লিশিং ৪,৭৭০ হেন্না পীথখ্রে। চানি দগর অমসুং দমান এন্দ দিয়ুদা লৈরিবা সরকারগী বিল্ডিংশিংদা চাদা ১০০ রুপ টোপ সোল্লর থমলে। রাজস্থান, মহারাস্ত্র, গুজরাট অমসুং তামিল নাদুনচিংবা রাজ্যশিংদসু রুপ টোপ সোল্লারগী থৌরাং নীংথিজনা পায়খৎলি।

**কাং (এল) ঃ** অনিসুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ থা অসিগী ১৯ দগী য়াইস্কুল

কাংশঙগী শ্রীশ্রী গোপালদেব মান্দবতা হৌরগনি। তুরনামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা কাংখুৎশিংনা হয়েং ফাওবগী মনুংদা মীং পীশিল্লকবা খঙহল্লক্লি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.এন.সি. সঙাইপ্রৌনা ই.এস.য়ু. ৱাংখৈবু ৱিকেট মঙাদা থোইখ্রে।

**পোলো (এল)ঃ** ৩৭ শুবা এন. হজারি এন্দ ডা: এন. তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-ব্লেক ৱাটস পোলো ক্লব-বাবুপারানা রুপকুমার পোলো ক্লব (বি) নাগামপালবু পাঞ্জল ১৪-০ দা থোইখ্রে।

অসাম রাইফলস পোলো টিম (এ) না ইম্ফাল রাইদিং পোলো টিম লমফেলবু পাঞ্জল ১৪-২ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ১৩ শুবা ইবুধৌ ময়াংঙম্বা নাইন এ সাইট মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট-থোংজাউ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সুগ্ এফ.সিনা ই.পি.ৱাই.সি. এলাংখাংপোকপীবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** অনিশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর টোইন্তি থ্রি হাওবম বিরমঙ্গোল সিংহ মেমোরিএল ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ব্লু হোগ-খুরাই লমলোংনা থাউ থাংমৈবন্দবু রন-১২৯ দা, ট্রাউ-ক্বাকৈথেলনা ফোর্স ক্ষেত্রিগ্রাউবু রন-১০৩ দা থোইখ্রে।